# জ্যানি ইনফান্টিনোনা ফিফা প্রসিদেন্টগী ইলেক্সন্দা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে




জুরিখ, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী হাংদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী ফম মেনশিন্নবগীদমক ফেব্রুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীওই মঙানা মীরেপ ওইদুনা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

লাক্লিবা ইরাই নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবা মীওইশিং অদুদি বাহরেনগী রোয়াল সৈখ সলমান বিন ইব্রাহিম অল খা লিফা, য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী জ্যানি ইনফান্টিনো, জোর্দানগী প্রিন্স অলি বিন অহল হুসেন, ফ্রান্সকী জেরোম চেম্পেন, হান্নগী ফিফাগী দিপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী ব্যুজিনেসমেন অমদি গভর্ণমেন্ট পায়বদা য়াওরিবা টোকয়ো সেক্সৱেলনি।

মীরেপ মঙা অসিগী মনুংদা হান্নগী প্রসিদেন্ট সেপ ব্লাটরগী মহুৎ শিনগনি হায়না থাজনরিবা য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী জ্যানি ইনফান্টিনোনি। মহাক্না মীখল অদুদা ভোট ১০২ ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।অদুমকপু মীরেপ মঙা অসিগী মনুংদা অমত্তবু হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী মফম তাখ্রবা সেপ ব্লাটরনা শৌগৎকনি হায়বগী ৱাফম হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

সেপ ব্লাটরবু শেঞ্জা থুমজাদা চৈন্নে হায়বা মরালদা ফিফানা চহী নিপান অথিংবা থল্লিবনি। মালেমগী লৈরিবা ফেদরেসন কয়ানা মহাকপু মীরেপ অমা শৌগৎপগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱারোল থম্নবা কয়ারক হন্না তকশিন্দুনা লাকখ্রবসু ব্লাটরনা মখোয় মখোয়না অপান্বা মীরেপতা ভোট পীনবা ৱাফম থমদুনা লাকখিবনি।

ফিফগী প্রসিদেন্ট মীখলগী মীরেপ ওইরিবা জ্যানি ইনফান্টিনোনা পুথোকখিবা মহাক্কী মেনিফেস্টোদা য়াওরিবা মরুওইবা ৱাফমশিংদি ৱর্ল্ড কপকী টিম মশিং অসি ৩২ দগী ৪০ দা হেঙ্গৎহনবা, রিজন অমদা লৈবাক অনী নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মশিংনা ৱর্ল্ড কপকী অপূনবা য়ুম্বু ওইমিন্নবা, ফিফাগী মেম্বর এসোসিএসন ২০৯ মক্তা চহী ৪ খুদিংগী য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ কায়থোক্তুনা ফুটবোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চঙবা অমদি তোঙানবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৪০ না কন্টিনেন্টেল ফেদরেসনশিংদা কায়থোকপনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

ফিফাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবা জ্যানি ইনফান্টিনোনা অঙনবা মতমদা স্পেন, ইটালি অমদি স্বিটজরলেন্দগী ফুটবোল বোদিশিংদা এদভাইজর ওইনা থৌ পুদুনা লাকখ্রবা মতুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যুচাটেলগী ইন্টর্নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস ষ্টদিজ (সি আই ঈ এস) দা সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থৌ পুরমখি।

মহাক্না য়ুরোপিয়ন সোক্কর গভর্ণিং বোদি ওইরিবা য়ু ঈ এফ এদা কুমজা ২০০০ দা চঙখি। মহাক্না য়ু ঈ এফ এগী ফাইনান্সিএল ফিয়ার প্লেগী পোলিসী মপুং ফানা পাঙথোকহন্নবা হোৎনখি। শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা ক্লবশিংদা য়াল্লবা শেনফমশিং পীথবগী চৎনবী অদুবু কুপ্না য়েংশিন্দুনা অথিংবা পীদুনা লাক্লিবনি। মসিনা প্রোফেসনেল ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী শেল মাঙবদগী কনবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোক্লখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী ফ্রান্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ্তুগী হৌনা টিম ১৬ তগী ২৪ দা হেঙ্গৎহনখিবনি।

জ্যানি ইনফান্টিনোনা য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিঙৈ চহী তরেৎকী মনুংদা য়ুরোপকী ক্লব কম্পিটিসনশিংগী রিভিন্যু হায়নিংঙাই লৈতনা হেঙ্গৎহনখি অমদি মহাক্কী হৈ-শিংবা কয়ানা মীয়াম্না মহাকপু ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইবা পাম্লে।

# ভিজেন্দরনা প্রোফেসনেল বোক্সিংবু ইন্দিয়াদা থাক ৱাংনা থম্নবা হোৎনরি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর ভিজেন্দর সিংহগী বাউট লাক্লিবা জুন ১১ দা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) না লাউথোকখ্রে।

হান্নদি ভিজেন্দরগী বাউট পাঙথোক্কদবা মতম অদু চপ চানা লাউথোকখিদ্রবসু লৈবাক অসিদা বোক্সর অসিগী বাউট পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। দব্লিয়ু বি ওনা ভিজেন্দরবু পামজবা ফেনশিংগীদমক্তদি বাউট অসি খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবা অদুগুম্বা বাউট অমনি হায়রি।

ভিজেন্দরনা প্রোফেসনেল বোক্সর ওনখ্রবা মতুংদা থিন্নখিবা বাউট অহুম্মক নোকআউটতা মায় পাক্তুনা লাক্লি। লাক্লিবা জুন ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাউট অসিদা দব্লিয়ু বি ওগী মিদ্দলৱেথ নৎত্রগা সুপর মিদ্দলৱেথকী টাইটলগীদমক থিন্নগদৌরিবা অসিগী লম্বা ওইগদবা বোক্সর অদু চয়োল খরগী মতুংদা খঙবা ঙম্লগনি।

ভিজেন্দরগী য়ু কে বেজ প্রমোর্টস ওইরিবা ক্বিন্সবেরি প্রমোসন্সকী ফ্রান্সিস ৱারেননা হায়খি, ইন্দিয়দা পাঙথোক্কদৌরিবা ভিজেন্দরগী ফাইট অসিদা মহাক্কী ওইনা চাউনা কান্নবা ফংবদা নত্তনা কর্ম্মসিয়েলগী ওইনসু মতাং মতম চপ চারবা পুংফমনি। জুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাক্কী বাউট অসিগী মাঙওইননা অতোপ্পা বাউট অহুম য়ু কেদা পাঙথোক্কনি। অহানবা বাউটনা লিভরপুলদা মার্চ ১২, অনীশুবা বাউটনা এপ্রিল ২ অমদি অহুমশুবা বাউটনা এপ্রিল ৩০ দা পাঙথোক্কনি। মসিগী হেক মতুংদা ভিজেন্দরনা দব্লিয়ু বি ও মিদ্দলৱেথ নৎত্রগা সুপর মিদ্দলৱেথ টাইটলগীদমক ইন্দিয়াদা থিন্নগদবনি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্না উৎখিবা পাফোর্মেন্স অদু য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ওইরি। মহাক্না প্রোফেসনেল এরেনাদা চঙলক্তুনা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌরি। অহানবদা মহাক্কী ফাইট অসি সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু জুন থানা খ্বাইদগী মতম চাবনি হায়দুনা লেপ্লকপনি। মসিগী মতুং থা অনীমুক লৈরগা ফাইট অসি লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপা য়ারি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ফ্রান্সিস ৱারেননা মখা তানা হায়, মহাক মতম খরা ময়ুম থাদোক্তুনা ট্রেনিংগীদমক অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। মহাক্কী বাউটপু মরমদম মীয়াম মমাঙদা শান্নবা হায়বসি মহাক্কীদমক্তদি অফবা অমনি। য়ু কেদা জুলাই অমদি ওগষ্ট থা অসি বোক্সিং কুংনা পাঙথোক্তবনা মহাক্কীদমক্তদি ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি চপ চারবা মতমনি হায়খি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) গী ভাইস প্রসিদেন্ট জোন দুগাননা হায়খি, ইন্দিয়ানা বোক্সিংগী লৈবাক অমা ওইরকপগী থাজব চাউনা লৈবনা দব্লিয়ু বি ওনা ভিজেন্দরগী বাউট অসি ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লবা অয়াবা পীবনি। ভিজেন্দর সিংহ অসি এমেচর সার্ক্যুইটতা মশক থোক্লা মথৌ পাঙথোকখ্রে। মহাক্না রিজনেল টাইটলদা নত্তনা ৱর্ল্ড টাইটল ফাওবগী অকনবা লম্বা তৌরক্কনি হায়বসি ঐখোয়গী থাজবনি। জুন ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইট অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা অমদি মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগদবা ফাইট অমসু ওইহৌরগনি হায়না দুগাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সানিয়া-মার্টিনানা দোহাদা মখোয়গী ৪১ শুবা মেচ মায় পাকখ্রে



দোহা, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী স্বিস পার্টনর মার্টিনা হিঙ্গিসনা দব্লিয়ু টি এ কটার ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা চাইনিজগী জুরা য়ি-ফান জু অমদি সাইসাই জেংবু মায়থীবা পীদুনা থংনা থংননা মখোয়গী ৪১ শুবা মেচ মায় পাকপসু ঙমখ্রে।

টোপ সীদেদ ইন্দো-স্বিসকী জুরা অসিনা মায়োক্লখিবা টাইনিজগী মায়কৈদগী প্রেসর খরা ফংখ্রবসু নিংথিনা শান্নখিদুনা পুং অমগা মিনিট ২৪ চঙনা চথখিবা মেচ অদুদা অনসীদেদ চাইনিজ জুরাবু ৬-৪, ৪-৬, ১০-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মখোয় অনীনা হার্দ কোর্ট দোল্লর ২,৮১৮,০০০ প্রাইজ মনি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি। সানিয়া অমদি হিঙ্গিস অনীনা চহীঅসিদা অপূনবা টাইটল মরি লৌবা ঙমখ্রে।

মখোয় অনীনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন য়াওনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখিবা অদুগী মমাঙদা চহী অসিগী অহানবা ওইনা ব্রিসবেন অমদি সিদনিগী টাইটলশিং লৌদুনা চহী অসিদা মায় পাক্লা হৌদুনা খোঙফম চেৎনা চঙশিল্লক্লিবনি। দো অসিনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা সেন্ট পিটর্সবর্গ লেদিজ টাইটলসু লৌখি।

কটার ওপন অসি হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা সানিয়ানা দোহাদা লৈরিবা দি পি এল মোর্দন ইন্দিয়ন স্কুলদা চৎখি অমদি স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংগা উনদুনা ৱারী ৱাতাই তৌখি। মহাক্না স্কুলগী মহৈরোয়শিং অদুদা মহাক্না মহাক্কী টেনিস কেরিয়র অসি করম্না হৌরকখি হায়বগী মতাংদা ৱারী লীদুনা তাহনখি। মদুদা স্কুল অদুগী টিচিং ষ্টাফ অমদি ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইন্দো-স্বিস সানিয়া মিরজা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা হৌজিক চথরিবা কর্টার ওপনগী টাইটল লৌনবা মাঙলোমদা মীৎয়েং থমদুনা খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে।

দো অনী অসিনা কুমজা ২০১৫ দা মায় পাক্লা লাকখিবা খোঙচৎ অদু চহী অসিদসু মখা শমথরক্তুনা সিজন অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দবলস টাইটল লৌখিবনি।

মালেমগী দবলস রেঙ্কিংদা মকোক্তা লৈরিবা ইন্দো-স্বিসকী অপূনবা জুরা অসিনা কটার ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা চিনাগী জুরা য়ি ফান অমদি সাইসাইগা মায়োক্লদুনা শান্নখি। মীয়াম্না সান্টিনা হায়গরসু খঙনরিবা সানিয়া মার্টিনানা মমাঙ চহীদা মায় পাকপগী খোঙচৎ অমা চৎখিবা অদুগুম্না চৎলিবা চহী অসিদসু মখা তানা চঙশিনলক্লিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা সেন্ট পির্টসবার্গ লেদিজ ট্রোফিদা ইন্দো-স্বিস জুরা অসিনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি। ট্রোফি অদুগী ফাইনেলদা রুসিয়াগী ভেরা দ্যুশেভিনা অমদি চেক্কী বার্কোরা ক্রেজসিকোভাবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংন-থংননা ৪০ শুবা মেচ মায় পাকখিবনি।

কুমজা ১৯৯০ দা জনা নোভোটনা অমদি হেলেনা সুকোভানা থংন-থংননা মেচ ৪৪ মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখিবা অদু লান্থোক্কদবা মেচ মঙাখক্তমক সান্টিনানা ৱাৎলি। কুমজা ১৯৮৩ দা মার্টিনা নাভরাটিলোভা অমদি পামশ্রীভরনা মেচ ১০৯ মায় পাকপগী রেকোর্দ অদু য়ৌনবা ইন্দো-স্বিস জুরা অসিনা পান্দম থল্লি।

# এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি-২০ গীদমক ভিভ রিচার্দসপু পাকিস্তান টিমগী মেন্টর ওইনবা থৌরাং তৌরি




করাচি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ অমসুং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থাদা চথগদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়াগদৌরিবা পাকিস্তান নেসনেল ক্রিকেট টিমগী মেন্টর অমা ওইনা মতম অমগী ৱেষ্ট ইন্দিজগী লেজেন্দ সার ভিভ রিচার্দসপু হাপ্পবা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি)না ৱারী শান্নবগী থবক চথরি।

পি সি বিদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ভিভ রিচার্দসপু এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ টুর্নামেন্ট অনী অসিগী পাকিস্তানগী ক্রিকেট বোর্দতা মেন্টর ওইনা লৈনবা পি সি বিনা থবক পায়খৎলি হায়না এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা রিচার্দসনা হৌজিক চথরিবা পাকিস্তান সুপর লীগতা শান্নরিবা ক্বেটা গ্লেদিয়েটর্সকী মেন্টর ওইনা থৌ পুরিবা অসিদা বোর্দনা হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকপগা লোয়ননা এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ গীদমক মহাকপু পাকিস্তান নেসনল টিমগী মেন্টর ওইনা থৌ পুহন্নবা থবক পায়খৎলকপনি। অদুবু রিচার্দসনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গীদমক মেদিয়া কম্মিটমেন্ট খরা লৈবনা পি সি বিগী ৱাফম অদুদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইহল্লবসু মখোয়না মসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। বোর্দনা রিচার্দসপু বোর্দতা মেন্টর ওইনা লৈহনবা পাম্লবসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী হান্নগী ক্রিকেটর অসিনদি হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী অরোইবা ৱারেপ অমা লৌবা লৈত্রি হায়না পাউ অদুনা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা, রিচার্দস মশামক্না পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকীদমক মহাক্না তৌবা ঙম্বশিং পাঙথোক্কনি হায়না হান্ননা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। রিচার্দসনা হৌজিক চথরিবা পি এস এলদা শরুক য়ারিবা ক্বেটা গ্লেদিয়েটর্সকী মেন্টর ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিবনা পি সি বিগী অপাম্বা ৱাফম অসি ক্রিকেট লেজেন্দ অসিনা শোয়দনা য়ারক্কনি হায়না থাজনরি।

হান্নগী জিম্বাবৱেগী মমিং লৈরবা বেটসমেন গ্রান্ট ফ্লৱরনা পাকিস্তানগী বেট্টিং কোচ ওইনা কুমজা ২০১৪ দগী থৌ পুদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা হান্নগী পাকিস্তানগী টেষ্ট ওল রাউন্দর অঝার মাহমুদপুসু এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ অসিগীদমক লৈবাক অসিগী বোল্লিং কোচ ওইনা থৌ পুহন্নবা পি সি বিনা ৱারী শান্নরি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অনী অসিগীদমক পি সি বিনা অঝারদা অশানবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লীগ খুদিংমক্তা মহাক অসি টি ২০ গী এক্টিব প্লেয়র ওইনা মশক থোকপা পাফোর্মেন্স পীদুনা মীয়াম্বু পুক্নিং পেলহনখি। করিগুম্বা অঝারনা বোল্লিং কোচ ওইনা থৌ পুরক্লবদি হৌজিক ফম অসি পায়রিবা মুসটাখ অহমেদনা নেসনল ক্রিকেট একাদেমীদা অমুক হনখিগনি হায়না পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা সোসিয়েল মেদিয়াদা মহাক্কী তুংইনবা মিল্লিয়ন ২০০ লৈবা অহানবা এথলেট ওইরে

মেদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

রিয়েল মেদ্রিদকী ষ্টার ষ্ট্রাইকর খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ফেসবুক, ইনষ্টাগ্রাম অমদি ত্বিট্টরদা সোসিয়েল মেদিয়াদা মহাক্কী তুংইনবা মিল্লিয়ন ২০০ লৈবা অহানবা এথলেট ওইদুনা সোসল মেদিয়াগী পুৱারী অমা শেমখ্রে।

রোনাল্ডোনা ফেসবুক্তা মহাক্কী তুংইনবা মিল্লিয়ন ১০৯.৭, ইনষ্টাগ্রামদা মিল্লিয়ন ৪৯.৬ অমদি ত্বিট্টরদা মিল্লিয়ন ৪০.৭ লৈদুনা য়াম্না মশক থোক্না মিংচৎ লৈরক্লি হায়না সোসল মেদিয়া ট্রেক্কিং দেটাবেজ হুকিট দোট কোমগী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লি।


পোর্টুগিজগী ফুটবোল্লর অসিনা হৌখ্রবা অমদি হৌজিক্কী মমিং লৈরবা এন বি এ ষ্টার মাইকেল জোর্দান, কোবে ব্রায়ান্ট, লীব্রোন জেমস, কেভিন দুরান্ট অমদি ষ্টেফ করিগী অপূনবা মিল্লিয়ন ১৮৭ তগী হেন্না তুংইনবশিং লৈরি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা অসিবু বার্সেলোনাগী ষ্টার লিওনেল মেসিনা বেল্লুন দি ওরগী লমজেলদা নমহৎখ্রবসু পোর্টুগিজ অসিনা সোসল মিদিয়াদা তুংইনবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইবা ঙল্লি। মেসিনা মহাক্কী সোসল মেদিয়াগী তুংইনবা মিল্লিয়ন ১২০.৮ লৈরিবনি। অদুম ওইনমক অর্জেন্টিনা অসিগীদি ত্বিট্টর একাউন্টদি লৈতে।

অমরোমদা, খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা বার্সেলোনা ক্লবতগী মহাক্কী কোন্টেক্ট হেক লোইবগা তোক্লগনি হায়বা ৱাফম মাঙজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মহাক্না মখা তানা বার্সেলোনাদা শান্ননিংলবসু ক্লব অসিনা মহাক্কী কোন্টেক্ট মতম লোইরবা মতুং অমুক হন্না কোন্টেক্ট পীদনবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

মহাক্না বার্সেলোনাদগী তোক্লগনি হায়বগী ৱাফম কাংথোরকখিবা অদুদা ফুটবোলবু ঙাওজবা অমদি বার্সেলোনাগী য়াল্লবা ফেনশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা ক্লব অসিদা অদুমক শান্নদুনা লৈহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখিবনি। রোনাল্ডোনা ৱাফম অসিগী মতাংদা চপ চাবা পাউদম অমা মথংগী সিজন লোইদ্রিঙৈদা পীগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।



দরখাষ্ট কৌজরি /

Regd. No. KPL/232/Com.Estd. of 2013
Government of Manipur

1. AIR TICKETING STAFF IN IMPHAL (MALE/FEMALE)
Qualificatioin X-XII No. of Post 22, Salary : 8,000 - 12,000/-

2. TECHNICAL DEPT. AND MOBILE COMPANY STAFF IN IMPHAL
Qualificatioin X-XII No. of Post 35, Salary : 8,000 - 10,000 +Incentive

3. MNIPUR POST VACANCY IN OFFICE STAFF MICRO FINANCE
i) ATM Guard, Chowkidar, peon, Driver. Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
ii) Office Boys, Security, Gunman Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
iii) Reception, Attendent, Loan Recovery Qualy. X - XII Salary : 6,000 - 7,500/-

4. DATA ENTRY AND TELE CALLER IN IMPHAL
Qualification X - XII No. of Post : 28 Salary : 12,000+Incentive.

5. AIRPORT VACANCY SELECTION IN IMPHAL
Ground Staff, Cargo Driver, Loder, Flight Cleaner,
Qualification : VIII - XII No. of post : 20 Salary : 14,000+Incentive.

6. BANKING STAFF FOR NATIONLISE BANK (Online exm in Imphal)
Qulification : XII-Graduate. No. of Post : 35 Salary : 18,000-35,000/-

7. PASSPORT & VIS CONSULTANCY SERVICES ARE ALSO AVAILABLE

* ইশাগী অহাংবা মতমদা EXTRA-INCOME তান্নীংবা, Student, Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি Qualification : VIII - above.

Income : 10,000/- - 25,000/- per month
Interview Dt. 29.2.20161
Last Date : 27.2.2016
# 8131885255/9615120590

Sd/-
Bright Community Centre
Whengbam Leikai, Near
Bheigo Hotel Leirak Machin

HL-P/7460/17,18,19,20,21,22,24,25,26

# এঞ্জেলিগ কার্বর কটার ওপনদগী লৈহৌরে, ষ্টান ৱারিঙ্কা, নিক ক্রিগিওস মায় পাকখ্রে




দোহা, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ২০১৬ কী চেম্পিয়ন জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা কটার ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

মমাঙ থাদা মেলবোর্নদা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখিবা এঞ্জেলিগ কার্বরনা চিনাগী জেং সাইসাইগী মখূৎতা ৫-৭, ১-৬ তা মায়থীহৌখি। এঞ্জেলিগ কার্বরনা হৌজিক মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরি অদুগা চিনাগী জেং সাইসাইনা ৭০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি। এঞ্জেলিগনা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনলকখিবনি।

দোহাদা চথরিবা কটার ওপনদা টোপ প্লেয়রশিং মথং মথং মায়থীহৌদুনা লৈহৌখ্রবনি। মালেমগী রেঙ্ক মরিশুবদা লৈরিবা সিমোনা হালেপসু ইলেনা ভেসনিনাগী মখূৎতা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী মপান থোকখ্রবনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি নম্বর ৭ শুবদা লৈরিবা সীদ লুসি সাফারেভাসু ওপন অসিদগী মায়থীদুনা লৈহৌখ্রবনি। মহাকপু টর্কিগী কাগ্লা বাইয়ু কককেগী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীহৌখি।

নম্বর সিক্স সীদ বেলিন্দা বেনসিক, নম্বর টুয়েল্ব সীদ সভেটলানা কুজনেটসোভা, নম্বর ফোরটিন সীদ জেলেনা জাঙ্কোভিক অমদি নম্বর সিক্সটিন সীদ সারা ইরানিসু ঙন্না মায়থীহৌখি।

ওপন অসিদা এঞ্জেলিগ কার্বরনা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা অদুনা ওপন অসিগী খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা হায়বদু ওইখি। কার্বরনা মীঙমদনা শান্নখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা মহাক্কী সার্ভ তরুক মাঙখি, অনফোর্স ইরর ৩৮ কনখি। সাইসাইনা নিপানখক্তমক কনখি। চাইনিজ অসিনা কার্বরবু পুং অমগা মিনিট ৮ চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীখি।

সাইসাইনা মথং রাউন্দদা কানাদাগী য়ুজেনি বৌচার্দকা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি। বৌচার্দনা চেক রিপব্লিক্কী দেনিসা অল্লাটোভাবু ৭-৬ (৭-০), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনলকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ গী কটার ওপনগী চেম্পিয়ন সিমোনা হালেপনা সেট অহুমদা ভেসনিনাগী মখূৎতা ৭-৬ (৭-১), ৪-৬, ১-৬ তা মায়থীখি। মঙাশুবা সীদ পেট্রা কভিটোভানা কম্পেট্রোইট চেক্কী বারবোরা ট্রায়কোভাবু ৭-৬ (৭-২), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ওপন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ষ্টান ৱারিঙ্কা অমদি নিক ক্রিগিওসনা মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখ্রে।

দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দ মেচতা ষ্টান ৱারিঙ্কানা সর্গি ষ্টাখোভস্কিবু ৫-৭, ৬-৩, ৭-৬ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। ৱারিঙ্কানা অহানবা সেটতা মায়থীখ্রবসু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেট মায় পাক্তুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি। মথংগী রাউন্দদা ৱারিঙ্কানা ক্রোসিয়াগী ক্বালিফাইয়র ফ্রাঙ্কো স্কুগোরগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

ফ্রাঙ্কো স্কুগোরনা টেমুরাজ গাবালভিলিবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসনা তরেৎশুবা সীদ মার্টিন কলিজানবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।